**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-07-2025)**

**দুরান(এল)ঃ** মালেমগী খ্বাইদগী লীরবা অহুমশুবা অমসুং এসিয়াগী খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান কপ-২০২৫ গী ইম্ফাল লেগ, হয়েংদগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী য়েংলগা মণিপুর পুলিস ত্রাফিক কন্ত্রোল ৰিংনা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোবা খরা থমলে। মসিগী মতুং ইন্না মেটচ লৈবা নুমিৎশিংদা পান্দোন ক্রোসিংদগী এম.এম.টি.এ বনিয়ন ট্রি ক্রোসিং ফাওবা গারি চথোক চৎশিনদা অথিংবা লৈগনি । ইন্দোর স্তেদিয়ম, স্বিম্মিং পুল অমসুং কাংশংগী মনাক নকপদা হাংলিবা পার্কিং এরিয়াদা গাড়ি খামগদবশিংনা ম্যেন স্তেদিয়মগী গেট নম্বর টুদগী চংলক্কদবনি। খোংনা লাকপশিংনা হোক্কি স্তেদিয়ম গেট নম্বর থ্রি অমদি বাস্কেটবোল কোর্ট গ্রাউন্দদা খামগদবা মীওইশিংনা গেট নম্বর ফাইভ অমদি নাইন আই.আর.বি গেটশিং অসিদা চংলক্কদবনি হায়রি।

খুমন লম্পাক ম্যেন স্তেদিয়মগী মপানদা অখন্ননা হাংলিবা আই.এস.বি.টি-রাউ গ্রাউন্দ অমসুং এন.সি.সি গ্রাউন্দ দি.এম.য়ুনিভর্সিতিগী কেম্পসতসু মীয়ামা গারিশিং থম্বা য়াগনি হায়রি। হয়েংগী ওইনা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১ তাবদগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী গেট হাংগনি হায়রি।

**ধরতি (এল)ঃ** কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি-ধমন্দ্রে প্রধাননা ঙসি ধরতি অবা জন জাতিয়া গ্রাম উতকরস অভিয়ান অমসুং প্রধান মন্ত্রি জন জাতিয়া অধিভাসি ন্যায়া মহা অভিয়ানগী মখাদা মনিপ্রগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ভরচুয়েল ওইনা স্কুল অমসুং হোষ্টেলশিং শাননবা উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

ধরতি অভাস অভিয়ানগী মখাদা বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল শাবল লৈকাইদা নারি কল্যা বিদ্যালয়াগী হোষ্টেল শাননবা থৌরাং পায়খৎলে। মসিনা চিংগী মহৈরোইশিংদা কান্নবা কয়া ফংহল্লগনি। বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমসু ভরচুয়েল ওইনা উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী কেম্পসতা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি পুজানা হায়-শিক্ষাগী লমদা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসি পুকিং থৌগৎনিংঙাইনি। অফবা মহৈরোইশিং শেমগৎপনা হেন্না চাউখৎপা তুংলমচৎ অমা পুরকপা ঙমগদৌরিবনি। মখা তানসু শিক্ষাগী লমদা অহেনবা মীৎয়েং চংহন্নীংবগী অপান্বা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা ফোংদোকখি।

শ্রী ধমেন্দ্র প্রধাননা কাংপোকপী জিলাগী আই.পি. রোডতা লৈবা টি. বাইচোংদসু হোষ্টেল অমা শাননবা ভরচুয়েল ওইনা উরেপ উয়ুং তমখি। থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি (ইন্দিপেন্দেন্ট) চার্জ-জয়েন্ত চৌধরি অমসুং লোক সভাগী এম.পি. অলফ্রেদ কনঙম আথর শরুক য়াখি।

**ইভিক্সন (এল)ঃ** মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা তম্পাক্কী জিলাশিংদা লৈবা, মরুওইনা মীয়ামগী ওইবা মফমশিংদা আইনগী ৱাংমদা লম খোপচিনদুনা য়ুম-কৈ শাজিনবা অমদি মীয়ামনা চৎথোক চৎশিন তৌনরিবা ফুট পাথশিংদা অয়াবা য়াওদনা দুকান তপথোকপনচিংবশিং সরকারনা ইভিক্সনগী থবক চথরি। মসি মনিপুর পাব্লিক প্রেমিসেস (ইভিক্সন ওফ অন-ওথোরাইজ ওকুপেন্সন) এক্ট ১৯৭৮ কী মখাদা চথবনি অমসুং সধারন মীয়ামগী খুদোংচানবা পায়খৎলকপা খোঙথাং অমনি।

**স্কিম (এল)ঃ** ইমপ্লোয়িজ ষ্টেট ইন্সুরেন্স কোরপোরেসন (ই.এস.আই.সি) না স্কিম ফোর প্রমোসন ওফ রেজিষ্ট্রেসন ওফ ইমপ্লোয়রস এন্দ ইমপ্লোয়িজ (স্প্রি)

২০২৫ হৌদোক্কুনা শিন্মীশিংদা সোসিএল সেক্যুরিতি কোভরেজ পীবা হেনগৎহন্নবা থবক পায়খৎলে।

ই.এস.আই.সিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-স্কিম অসিনা ইম্ফল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, চুরাচান্দপুর, কাংপোকপী, সেনাপতি অমসুং উখ্রুল জিলাশিংদা লৈবা শিন্মীশিংদা কান্নবা ফংহনগনি।

খোঙথাং অসিনা কন্ত্রেক্ট অমদি টেম্পরেরি ষ্টাফ য়াওনা রেজিস্ত্রার তৌদ্রিবা শিন্মীশিং অমদি থবক শুরম্বদগী লেপ্লবা শিন্মীশিংদসু কান্নবশিং ফংহনগনি। স্কিম অসিগীদমক ই.এস.আই.সিগী পোরটেল, শ্রম সুবিধা নৎত্রগা এম.সি.এ. পোরটেলদা রেজিষ্ট্রেসন তৌগনি হায়রি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা জন্ অমদগী শন্দোকপা হৌরকখিবা কোবিদ নাইন্তিনগী লায়চৎতা পোজিটিব ওইখিবা অপুনবা মশিং ৩৫১ গী মনুংদা ৩৩৯ নাবা ফাগৎলকখ্রে।

হকশেল বিভাগকী চেরোল অমদা হায়-ঙসিসু লায়না অসিনা নারম্বা মীওই তরুক নাবা ফগৎলকখি। হৌজিক এক্তিব কেস ১৪ লৈরি। ঙসিগী ওইনা মীওই তরেৎ টেষ্ট তৌবদা মীওই অমখক পোজিটিব ওইখি।

**সেনাপতি (এল)ঃ** সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা জিলা অসিগী মনুংদা লৈরিবা য়েলহৌমী নত্তবা মীতোপশিং মশক খঙদোকবা অকনবা থবক পায়খৎপা হৌরে। মহৈরোই লুপ অসিনা মথং থাগী মরিদগী মীতোপশিং খনে দাকপা হৌরগনি হায়রি।

মীতোপশিংনা মশা মশাগী আই.এল.পি. কার্ড, অধার কার্ড, ভোটর আই.দিনচিংবা ভেরিফিকেসন মতমদা পুথোকবসু মহৈরোই লুপ অসিনা হায়রি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা নেসনেল হায়ৱেজ এন্দ

ইনফাষ্ট্রকচর দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেদকী ইগজ্কিটিব দিরেক্তর-এন.এস. দেবাল অমসুং মেনেজিং দিরেক্তর-ডা: কিষন কুমারগা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

রাজ ভবন ইম্ফালগী চেরোল অমদা হায়-উন্নবা অদুদা নেসনেল হায়ৱেশিংদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি।

**পৌরাবি (এল)ঃ** মোধু এন্দ সনাহনবী মেমোরিএল ত্রষ্ট অমদি জেম পাব্লিক স্কুল অনিনা পুন্না শিনদুনা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী থৌরম অমা ঙসি স্কুল অসিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ডাক্তরশিংনা মীয়ামদা চিকন পোক্স য়াওনা তোঙান তোঙনবা লায়না মখলশিংদগী চেকশিন্নবা ৱাফম কয়া তাকপী তম্বীখি।

কেম্প অদুদা স্কুল অসিগী মহৈরোই ১২০ লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকশিং য়েন্থোকখি।

**ডে (এল)ঃ** রিমস ইম্ফাল অমসুং য়ুরেম্বম অপুনবা ক্লবনা পুন্না শিনদুনা ঙসি মালেমগী ও.আর.এস. নুমিৎ পালন য়ুরেম্বম অৱাং লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ও.আর.এস. অমসুং জিঙ্কক্কী কান্নবশিং মীয়ামদা নীংথিনা খণ্ডহনখি।

**চাইল্ড (এল)ঃ** শেনবা চহি ২০২৩-২৪ গী মীসন ভাদসলয়া স্কিমগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট-তেংনৌপলনা শিনদুনা নুমিৎ নিনি চুপা চথুরকপা স্পোন্সরসিপ দিষ্ট্রিব্যুসন প্রোগ্রাম ঙসি লোয়শিনখ্রে।

তেংনৌপলগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার অমদি দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন

ওফিসারনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। পুন্না অঙাং ৬০ দা কান্নবশিং ফংহনগনি।

**নম্বোল (এল)ঃ** নম্বোল কৈথেলদা দুকান অমদি লুকমাই পান্দুনা পোৎ য়োল্লিবশিংনা ওন লাইনদা পোৎ য়োনবগী চৎনবীবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে।

ওন লাইনদা পোৎ য়োনবগী চৎনবীনা অপিকপা কৈথেলশিংদা করবার মচা মচা তৌজরিবশিংদা চাউনা চৈথেং পীরি হায়না ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোংদোক্লমখি।

**কালা (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমীগী ২০২৪-২৫ গী স্কোলারসিপ ফংগদবা আর্টিষ্টশিংগী মিং লাউথোক্লে। অকুপ্পা মরোল একাডমী অসিগী ৱেব সাইটতগী ফংগনি হায়রি।

**ঔসাদিঃ** কেন্দ্রগী কেমিকেলস এন্দ ফরটিলাইজরসকী রাজ্য মন্ত্রি-অনু প্রিয়া পতেলনা হায়রি-কুমজা ২০২৭ কী মার্চ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদা জন ঔসাদি কেন্দ্র লিশিং ২৫ হাংদোকবা পান্দম থল্লি।

রাজ্য সভাদা ঙসি ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রি ভারত্তিয়া জন্ন ঔসাদি পরি য়োজনা স্কিমগী মখাদা চহি অসিগী জন্ ৩০ ফাওবদা জন্ন ঔসাদি কেন্দ্র লিশিং ১৬,৯১২ হাংদোকখ্রে। স্কিম অসি পায়খৎপগী মরুওইবা পান্দমদি, অফবা হিদাক লাংথকশিং অতাবা মমলদা মীয়ামদা ফংহনবনি। মহাকা হায়-স্কিম অসিগী মখাদা হৌখিবা চহি ১১ দা মীচম মীয়ামগী শেনফম লুপা কোতি লিশিং ৩৮ লোম কনবা ঙমলে।

**সিন্ধুরঃ** পহলগাম টেরোরিষ্ট এটেক্কী মতুংদা ভারতনা চথখিবা অমদি চাউনা

মায় পাকখিবা ওপরেসন সিন্ধুরগী মতাংদা ঙসি রাজ্য সভাদা অখন্ননা খন্ন-নৈনখ্রে।

সভাদা ৱাফম অসিগী মতাংদা খন্নবদা শরুক য়ারদুনা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়-পহলগামদা টেরোরিষ্টশিংনা মীচম ২৬ তমথিনা হাৎখিবা অদুগী পাউখুম ওইনা ভারত লান্মী অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ওপরেসন সিন্ধুর মায় পাঙথোকখিবা অদু থাগৎনিংঙাইনি। মহাকা হায়-ওপরেসন সিন্ধুরগী মরুওইবা পান্দমদি, টেরোরিষ্টশিংগী লোৎফম থুগায়বা অমসুং টেরোরিজমগী থৌওংশিংবু ভারতনা কৈদৌনুংদা খাঙদুনা লৈথোক্লোই হায়বা ভারতকী অকনবা পাউজেল অদু পীবনি। অসিগুম্বা খোঙথাংশিং অসি লৈবাক অসিগী তুংগী লাইবক লেপবগীদমক তঙাইফদবা অমনি হায়নসু শ্রী সিংহনা ফোংদোকখি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়ারদুনা বিরোধি লুচিংবা মালিক অরজন খর্গেনা, ওপরেসন সিন্ধুর মনুংদা সরকারনা করিগীদমক সিজ ফয়ার লাউথোকখিবনো হায়না হংখি। পহলগাম এটেক অদু ইন্টিলিজেন্স ফেল ওইবগী খুদমনি হায়নসু মরাল শিখি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা টেরোরিষ্টশিং করিগীদমক সরকারনা ফাবা ঙমদ্রিবনো হায়নসু শ্রী খর্গেনা হংখি। মদুগী পাউখুমদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়-সিজ ফয়ার লাউথোকখিবা অদু করিগুম্বা প্রেসর অমত্তদগী নত্তে। অদুগা মদুগী মতাংদা আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মরক্তা ৱারী শান্নখিবসু লৈতে।

**এন.ঈ.পিঃ** নেসনেল ইদ্যুকেসন পোলিসি(এন.ঈ.পি) ২০২০ চহী ৫ ফারকপগী কুমওন থৌরম ঙসি নিউ দেল্লিগী ভারত মন্দপমদা পাঙথোকখ্রে।

কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধাননা আখিল ভারতিয়া শিক্ষা সমাগম ২০২৫ দা পোলিসি অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা, শ্রী প্রধাননা হায়-নরেন্দ্র মোদি সরকারগী মীৎয়েং মখাদা এন.ঈ.পি ২০২০না মহৈ মশিংগী লমদা অচৌবা অওনবা পুরকপা ঙম্লে। লাক্কদৌরিবা ইং ২০৪৭ তা

ভিক্সিট ভারত ওইহন্নবা লৈবাক অসিনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা এন.ঈ.পি ২০২০না অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরি।

লৈবাক অসিগী স্কুল লাক্ষ ৮ হেনবগী মহৈরোই কোতি ৪ হেনবদা নিপুন ভারত অমসুং বিদ্যা প্রভেস থৌরাংগী মখাদা কান্নবা কয়া ফংহল্লে। ভারতকী সাইন লেঙ্গ্যুএজ অসি সবজেক্ট অমা ওইনা তম্বগা লোয়ননা আই.এস.এল.ভিদিও অমসুং তোল্কিং বুক লিশিং ১ হেন্না শেমগৎপা ঙল্লে। পোলিসি অসিগী মখাদা অঙাংশিংদা মহৈ তম্বীবদা বালবাতিকাশিংদা শান্নবদা য়ুমফম ওইদুনা মমালোলদা মহৈ তম্বীবা, ক্লাস সিক্সতগী স্কিল ইদ্যুকেসননা পীবা অমসুং নুপীমচাশিং লাইরিক তম্বগী চাং হেনগৎলকপনচিংবা উবা ফংলে। মসিগী মথক্তা নিস্থা স্কিমগী মখাদা ওজা লাক্ষ ১৪ হেনবদা ত্রেনিং ফংহনখ্রে।

**চেস ঃ** ভারতকী নুপী চেস শান্নরোই-বিদ্যা দেসমুখনা ফেদরেসন ইন্টরনেসনেল দেস ইচেক্স (ফিদে) ৱিমেন ৱার্ল্ড কপকী টাইতল লোখ্রে।

মহাকা মালেমগী লেমজনিংঙাই ওইরবা চেস মশান্নগী ৱার্ল্ড কপ টাইতল অসি লৌবা ভারতকী অহানবা নুপী ওইরে। জোজিয়াগী বাকুমি সহরদা হৌখিবা নুমিৎ হুমনিদগী চথুরকখিবা মেটচতা অতোপ্পা ভারতকী চেস নুপী শান্নরোই কোনেরু হমপিবু বিদ্যা দেসমুখনা স্কোলার ২ দসমিক মঙা অমসুং অমা দসমিক মঙাদা মায়থিবা পীখি।

অমরোমদা, রাস্ত্রপদি-দ্রৌপদি মুরমুনা ফিদে ৱিমেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০২৫ কী ৱিন্নর অমসুং রন্নরস অপ ওইরিবা ভারতকী নুপী চেস শান্নরোই অনিবু মখোয়গী মায় পাকপা অদুদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

**ফুটবোল** ঃ পঞ্জাবকা অমৃতসরদা চথুরিবা জ্নিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর ডাঃ বি.সি. রোই ত্রোফি ২০২৫ কী হয়েং ফাইনেল মেটচতা মনিপুরনা ৱেষ্ট বেঙ্গোলগা থেংনরগনি।

ঙরাং সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা মণিপুরনা দিল্লিবু পাঞ্জল ৭-৬ তা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখিবনি।

**গেমস (এল)ঃ** ৪ রক শুবা সাউথ এসিয়ান ইন্তরনেসনেল গেমস ২০২৫ নেপালগী কোনুং কাথমন্দুগী বক্কেট হোলদা সেপ্তেম্বর তাং ১০ দগী হৌরগনি।

মণিপুরগী ওইনা ইভেন্ট অসিদা শরুক য়ানবা খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা জ্লাই ২৭ তগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা শিংজমৈ চীংঙামথক্তা লৈবা ওল স্পোর্টস গেমস ফেদরেসনগী ব্রাঞ্চ ওফিসতা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌনবা ইন্দিয়ন ওল স্পোর্টস গেমস ফেদরেসন(আই.এ.এস.জি.এফ)গী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।